# লালহৌলুপ ১২গী কাদর ১০৩ সরেন্দর তৌখ্রে

## তম্পাক্কী লালহৌলুপশিংগী মরক্তগী ‘সু’ তৌননবা রেস্পোন্স য়াম্না লাক্লে

*-চিফ মিনিষ্টর*

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ঃ* তোঙান তোঙানবা খুৎলায় পায়বা লুপ ১২গী মীওই ১০৩ ঙসি মণিপুর সরকারদা খুৎলায় থাদোক্লগা চঙজরকখ্রে। তম্পাক্কী খুৎলায় পায়বা লুপশিংগী মরক্তগী ‘‘সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন’ (সু) সহি তৌননিংবগী রেস্পোন্স মপুং ফানা লাক্লে হায়না চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবী সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি খুৎলায় থাদোক্তুনা চংজরকখ্রবা খুৎলায় পায়বা লুপশিং অদুদি, য়ুএনএলএফকী কাদর ২২, পক্ষকী কাদর ২০, কেৱাইকেএলগী কাদর ৯, প্রিপাক্কী কাদর ১৪, কেএনএলএফকী কাদর ৮, কেসিপিগী কাদর ১০, পিএলএগী কাদর ৯, য়ুএনপিসিগী কাদর ৪, এনএসসিএন (আইএম) গী কাদর ২, এনএসসিএন (কে)গী কাদর ১, য়ুপিপিকেগী কাদর ১, কেআরপিএগী কাদর ১ অমদি কেআরএফ কী কাদর ২নি।

মখোয়না চংজরকপা মতমদা একে রাইফল ৯, এম-১৬ রাইফলস ১, এম-২১ রাইফলস ১, লেথোদ ৩, এমএম ৭.৬২ রাইফলস ১, নাইন এমএম সি এম জি ২৫, ৩০৩ রাইফল/বোল্ট এক্সন রাইফলস ৪, নাইন এমএম পিষ্টোল ৪৭, ৭.৬৫ এমএম পিষ্টোল ১০, ৭.৬২ এমএম পিষ্টোল ২ লোয়নরকখি।

ঙসি খুৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরকখ্রবশিং অদুগী মনুংদা য়ুএনএলএফকী নুপী কাদর অনি য়াওরি।

ঙসি মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা ইন্সপেক্টর জেনরেল অসাম রাইফলস সাউথকী চারদ্বার হোলদা পাঙথোকখিবা ‘‘হোম কম্মিং সেরেমোনি’ হায়না মীংথোনবা খুৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরকপগী থৌরম লোয়শিল্লকপদা পাউমীশিংগা তোখায়না উন্নবদা চিফ মিনিষ্টরনা হায়, তম্পাক্কী খুৎলায় পায়বা লুপশিং ‘সু’ সহি তৌননবা পাউ ফাওনবা লৈরবসু হৌজিক্কী ওইনা সহি তৌনবা লৈতবনা মখোয়গী মমিং মথা হায়দোকপদি ঙনমল্লি।

ঙসি খুৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরক্লবা মীওইশিং অসি রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিংদা লৈগনি। সরকারনা খুৎলায় থাদোক্তুনা চংজরক্লবা খুৎলায় পায়বা লুপকী মীওইশিংদা পীরিবা রিহেবিলিটেসন পেকেজ অসি রিভাইস তৌনবা সরকারনা খন্নরি লোয়ননা ফাইনেলাইজ তৌবা লৈত্রি হায়খি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা চিফ মিনিষ্টরনা হায়, সরকার অসিগী পান্দমদি মণিপুরদা শান্তি অমসুং চাওখৎপা পুরকপনি। সরকার অসিনা অহুমলক শুবা ওইনা সাসনদা লাকপগা ষ্টেট অসিগী চাওখৎ-থৌরাংগী থবক্তা থৱায় য়াওশিন্না হোৎনরি। সরকার অসিনা মৈ, লম্বী-থোং অমদি অফবা ঈশিং পীনবগী থবক্তা অকনবা মীৎয়েং চংনিংই। অদুবু মসি মীয়ামগী মতেং য়াওদনা মায় পাকপা ওইথোক্লোই।

লৈবাক অসি শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌগদবা নহা কয়ানা খুৎলায় পায়বগী লম্বীদা চংশিনখিবা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি। লৈবাক অসিগী নহা কয়া লম্বী নাথৈরগা চৎখিবা লৈরে লোয়ননা সমাজনা মখোয়বু কোনশিনবিবগী তঙায়ফদবা লৈরে।

অসিগুম্বা ফিভম অসি মণিপুরদদা নত্তনা অতৈ লমদসু থেংনরিবনি। নেক্সলাইটকী ইরাং নংলবা লমদমশিংদা করি থোক্লিবগে হায়বা পুন্নমক্না খঙনরবনি। অসিগুম্বা ঈহৌ কয়া অসিদা নহাশিংনা অয়াম্বা ওইনা য়াওরি। অসিগুম্বা ঈহৌ অসি অয়াম্বনা লায়রবা অমদি শোখনা হিংবগী ফিভমদগী ওইহল্লকপনি।

অমরোমদা য়াম্না ঙক্লিংঙাই ওইরিবদি য়াওল ঈহৌ চঙশিল্লিবা লুপশিংগী মরক্তগী অয়াম্বনা ৱারী শান্নবগী অপাম্বা লৈতবা অসিনি। তোঙান তোঙানবা খুৎলায় পায়বা লুপ কয়া সরকারগা শান্তিগী ৱারী শান্নরবসু কয়া অমদি তুমিন্না লৈশিল্লি। মীখলগুম্বা শান্তিগী থৌশিল অসিনা মীয়ামগী অপাম্বা ফোঙদোক্লবা লম্বী পীরিবনি। পার্লিয়ামেন্ট অমসুং ষ্টেট এসেমব্লিশিং অসি কনফ্লিক্ট রিজোলুসনগী অশেংবা ফোরমনি।

অদুবু দেমোক্রেটিক অমদি শান্তিগী লম্বী অসি প্রজা সেক্সন খরদি থাজবা থমদে। মসিগুম্বা ৱাখল্লোন অসি থাজদে। গনতন্ত্রিক ওইদবা খোঙথাং কয়া অসি তুং হনবা খোঙথাংগী খুদমনি।

শান্তি অমদি চাওখৎপা হায়বসি পুন্না চৎমিন্নদবা য়াদে। শান্তি হায়বসি চাওখৎ-থৌরাং পুরক্লবগী তঙাইফদবা মচাকনি। হিংশাগী থবক চংশিনবনা চাওখৎ লমজেলদা চাওনা খুরৌ ওইহল্লি।

মণিপুরদসু নহাশিংগী পোতেন্সিয়েল য়াম্না লৈরবসু মদু নিংথিনা তাশিন খোমজিনবা ঙমদে হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা হোম মিনিষ্টর গাইখাঙম, দিজিপি আর বরাল, চিফ সেক্রেটরি দিএস পুনিয়া, মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী জোইন্ট সেক্রেটরি হোম শম্ভু সিংহ, আইজিএআর সাউথ মেজর জেনরেল য়ুকে গুরুং,মণিপুর পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং, এআরগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি।